# হিরো আই লীগ – য়ুম্বু নেরোকা এফ সিনা চেন্নাই সিটি এফ সিবু গোল ২–১দা মায়থিবা পীখ্রে






ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ঃ
ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদেরেসননা শিন্দুনা চখৎরক্লিবা হিরো আই লীগকী ১৬শুবা মেটচ ওইনা নেরোকা এফ সি সঙাকফমগী হোম গ্রাউন্দ খুমন লম্পাক ষ্টদিয়মদা শান্নখিবা মেটচতা নেরোকা এফ সি সঙাকফমনা চেন্নাই সিটি এফ সিবু গোল ২–১দা মায়থিবা পিখ্রে। মেটচ অদুদা নেরোকা এফ সিগী টিম কেপ্তেনসু ওইরিবা টিম অসিগী গোল কিপ্পর ললিট থাপানা হিরো ওফ দি মেটচ তাদুনা ত্রোফিগা লোয়ননা শেলগী মনা লুপা লিশিং ২৫ ফংখি।
ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদগী হৌদুনা নেরোকা এফ সি সঙাকফম অমদি চেন্নাই সিটি এফ সি টিম অনিনা মান্নবা মওং দা লম্বা তৌনদুনা শান্নখিবা মেটচ অদুদা নাকল অনিমক্না অকনবা এটেক্ট চখনখি। মেটচ অদুগী ১৭শুবা মিনটতা নেরোকা এফ সিগী দি বোক্স মনুংদা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ২ গোবিননা চেন্নাই সিটি এফ সিগী জর্সি নম্বর ৪৬ মুরিলো রিবৈরো দি অলমৈদাদা ফাউল্লিং তৌরুবদগী চেন্নাই সিটি এফ সিগী ফেভরদা রেফরিনা পেনাল্টি পিখি। পেনাল্টি কিক অদু চেন্নাই সিটি এফ সিগী জর্সি নম্বর ৪৬ মুরিলো রিবৈরো দি অলমৈদানা কাউখি অদুবু নেরোকা এফ সিগী গোল কিপ্পর ললিট থাপানা য়াম্না লায়না সেভ তৌখি। মেটচ অদু মখাতানা নাকল অনিমক্না অকনবা প্রেসর পিনদুনা শান্নখিবগা লোয়নন মেটচ অদুগী ২৬শুবা মিনটতা নেরোকা এফ সিগী কোর্নর কিক অমা ফং খিব। কোর্নর কিক টিম অসিগী জর্সি নম্বর ২ গোবিন মোইরাং থেমনা কাওরকখিগা লোয়ননা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ৫ ভরনি কে কাল্লোননা গোল ওন্থোক্তুনা নেরোকা এফ সিগী গোল একাউন্ট হাংবা ঙমখিবগা লোয়ননা চেন্নাই সিটি এফ সিদগী অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবদা গোল ১ মাং জিল থানা লৈখি।
অনিশুবা হাল্ফতা চেন্নাই সিটি এফ সিনা মখোয়গী শোত্থদুনা লৈরিবা গোল অদু হন্দোক্নবা হোৎনদুনা হেন্না কন্না শান্নরকপগা লোয়ননা মেটচ অদুগী ৬৪শুবা মিনটতা চেন্নাই সিটি এফ সিগী জর্সি নম্বর ২৩ টিম কেপ্তেন সুসাই রাজনা পিরকপা পাস অমদা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ১০ জিন মাইকেল জাওচিমনা গোল ওইনা ওন্থোক্তুনা মখোয়গী টিমগী শোত্থদুনা লৈরিবা গোল অদু হন্দোকপা ঙমখি।
লম্বা থেংনরিবা নাকল অনিমক্কী স্কোরগী ফিভম ১–১দা লৈখ্রবা মতুং য়ুম্বু ওইরিবা নেরোকা এফ সিগী মাইকৈদগী মেটচ অসি মায় পাক্তবা য়াদে হায়বা ব্রাখল্লোন দা টিম অসিনা অকনবা এটেক্ট চখৎরকপগী শরুক অমা ওইনা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ১১ ফেলিক্স ওদিলি চিদিনা চেন্নাই সিটি এফ সিগী গোল পোষ্ট তম্না বোল পুশিন্নবা হোৎনবদা চেন্নাই সিটি এফ সিগী জর্সি নম্বর ৪ ভেনিয়ামিন সুমৈকোনা ফুরিটতা য়ান্দুনা ফাওল্লিং তৌরুবগীদমক রেফরিনা য়েলো কার্দ বুক তৌখি। মেটচ অদু মাখাতানা টিম অনিম্না মাগী মাগী টিমনা মায় পাকনবা কন্না হোৎনরবসু মেটচ অদু লোইরমদাই ফাওবা গোল অমফাওবা চন্নবা ঙমদবদগী মেটচ অসি নেরোকা এফ সিনা থোইবা ঙম্লোইদরা হায়বগী টিম অসিগী হোম ক্রাউদশিংগী থম্মোয়দা লাঙতক্লবা হেল্লকখি। অদুবু মেটচ অসিগী ৭৭শুবা মিনটতা সবষ্টিত্যুটতা চংলকখিবা নেরোকা এফ সিগী জর্সি নম্বর ২৩ ঙাঙোম রোনাল্ডনা মেটচকী ৯০শুবা মিনটতা গোল ১ স্কোর তৌবা ঙমদুনা মেটচ অদু য়ুম্বু ওইরিবা নেরোকা এফ সিনা গোল ২–১দা মায় পাকপদগী ভাবোকশিংদা অপেনবা ফাওনখি।
মেটচ অদুদা সন্তোস কুমার ভাস্করন মুরিঙ্গোথুমালিলনা সেন্তর রেফরি, নসারপা ভেল্লিকপারম্বিলনা এ আর ১, জে তোনিনা এ আর ২ অমদি গিবিন বেবি কালারিকলনা ফোর্থ রেফরি ওইনা কন্দক তৌখি।

| Team Name | P | W | D | L | F | A | GD | Pts |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Minerva Punjab | 4 | 3 | 1 | 0 | 7 | 3 | 4 | 10 |
| Mohun Bagan | 4 | 2 | 2 | 0 | 8 | 2 | 6 | 8 |
| Shillong Lajong | 4 | 2 | 1 | 1 | 5 | 6 | -1 | 7 |
| Neroca FC | 3 | 2 | 0 | 1 | 6 | 3 | 3 | 6 |
| East Bengal Club | 3 | 1 | 1 | 1 | 7 | 4 | 3 | 4 |
| Aizawl | 2 | 1 | 1 | 0 | 3 | 2 | 1 | 4 |
| Indian Arrows | 2 | 1 | 0 | 1 | 3 | 2 | 1 | 3 |
| Gokulam FC | 3 | 0 | 1 | 2 | 1 | 5 | -4 | 1 |
| Chennai City FC | 4 | 0 | 1 | 3 | 3 | 8 | -5 | 1 |
| Churchill Brothers | 3 | 0 | 0 | 3 | 0 | 8 | -8 | 0 |

## HERO I-LEAGUE 2017-18 SCHEDULE

| Date | Team A | Time/ Venue | Team B |
|---|---|---|---|
| 16-12-17 | KINGFISHER EAST BENGAL | 05:30 PM (Vybk Stadium) | CHURCHILL BROTHERS |
| 18-12-17 | AIZAWL FC | 02:00 PM (Rajiv Gandhi Stadium) | SHILLONG LAJONG |
| 18-12-17 | MINERVA ACADEMY FC | 08:00 PM (Guru Nanak Stadium) | INDIAN ARROWS |
| 19-12-17 | MOHUN BAGAN | 02:00 PM (Vybk Stadium) | NEROCA FC |
| 19-12-17 | CHURCHILL BROTHERS | 08:00 PM (Pjn Stadium) | CHENNAI CITY FC |
| 22-12-17 | INDIAN ARROWS | 02:00 PM (Ambedkar Stadium) | GOKULAM FC |
| 22-12-17 | SHILLONG LAJONG | 05:30 PM (Jln Stadium) | NEROCA FC |
| 23-12-17 | CHENNAI CITY FC | 02:00 PM (Jln Stadium) | EAST BENGAL |
| 26-12-17 | INDIAN ARROWS | 05:30 PM (Ambedkar Stadium) | SHILLONG LAJONG |
| 26-12-17 | CHURCHILL BROTHERS | 08:00 PM (Pjn Stadium) | MOHUN BAGAN |
| 27-12-17 | AIZAWL FC | 02:00 PM (Rajiv Gandhi Stadium) | MINERVA ACADEMY FC |
| 27-12-17 | KINGFISHER EAST BENGAL | 08:00 PM (Vybk Stadium) | GOKULAM FC |
| 29-12-17 | MOHUN BAGAN | 05:30 PM (Vybk Stadium) | INDIAN ARROWS |
| 30-12-17 | NEROCA FC | 02:00 PM (Khuman Lampak Stadium) | EAST BENGAL |
| 30-12-17 | CHURCHILL BROTHERS | 05:30 PM (Pjn Stadium) | MINERVA ACADEMY FC |
| 31-12-17 | GOKULAM FC | 02:00 PM (Ems Corporation Stadium) | AIZAWL FC |
| 02-01-18 | MOHUN BAGAN | 08:00 PM (Vybk Stadium) | CHENNAI CITY FC |
| 02-01-18 | INDIAN ARROWS | 02:00 PM (Ambedkar Stadium) | EAST BENGAL |
| 05-01-18 | NEROCA FC | 02:00 PM (Khuman Lampak Stadium) | INDIAN ARROWS |
| 05-01-18 | SHILLONG LAJONG | 05:30 PM (Jln Stadium) | CHENNAI CITY FC |
| 06-01-18 | CHURCHILL BROTHERS | 02:00 PM (Pjn Stadium) | EAST BENGAL |
| 06-01-18 | GOKULAM FC | 05:30 PM (Ems Corporation Stadium) | MINERVA ACADEMY FC |
| 07-01-18 | MOHUN BAGAN | 02:00 PM (Vybk Stadium) | AIZAWL FC |
| 08-01-18 | SHILLONG LAJONG FC | 08:00 PM (Jln Stadium) | INDIAN ARROWS |
| 09-01-18 | CHENNAI CITY FC | 08:00 PM (Jln Stadium) | NEROCA FC |
| 10-01-18 | MOHUN BAGAN | 05:30 PM (Vybk Stadium) | MINERVA ACADEMY FC |
| 12-01-18 | GOKULAM FC | 05:30 PM (Ems Corporation Stadium) | INDIAN ARROWS |
| 13-01-18 | AIZAWL FC | 02:00 PM (Rajiv Gandhi Stadium) | CHENNAI CITY FC |
| 13-01-18 | KINGFISHER EAST BENGAL | 05:30 PM (Vybk Stadium) | MOHUN BAGAN |
| 14-01-18 | SHILLONG LAJONG FC | 02:00 PM (Jln Stadium) | MINERVA ACADEMY FC |
| 15-01-18 | GOKULAM FC | 08:00 PM (Ems Corporation Stadium) | CHURCHILL BROTHERS |
| 16-01-18 | INDIAN ARROWS | 08:00 PM (Ambedkar Stadium) | NEROCA FC |
| 19-01-18 | CHURCHILL BROTHERS | 05:30 PM (Pjn Stadium) | SHILLONG LAJONG FC |
| 20-01-18 | AIZAWL FC | 02:00 PM (Rajiv Gandhi Stadium) | NEROCA FC |
| 20-01-18 | GOKULAM FC | 05:30 PM (Ems Corporation Stadium) | MOHUN BAGAN |
| 21-01-18 | KINGFISHER EAST BENGAL | 02:00 PM (Vybk Stadium) | MINERVA ACADEMY FC |
| 22-01-18 | CHURCHILL BROTHERS | 08:00 PM (Pjn Stadium) | INDIAN ARROWS |
| 23-01-18 | NEROCA FC | 02:00 PM (Khuman Lampak Stadium) | SHILLONG LAJONG FC |
| 25-01-18 | AIZAWL FC | 02:00 PM (Rajiv Gandhi Stadium) | MOHUN BAGAN |
| 27-01-18 | NEROCA FC | 02:00 PM (Khuman Lampak Stadium) | MINERVA ACADEMY FC |
| 27-01-18 | CHENNAI CITY FC | 05:30 PM (Jln Stadium) | INDIAN ARROWS |
| 28-01-18 | GOKULAM FC | 02:00 PM (Ems Corporation Stadium) | SHILLONG LAJONG FC |
| 29-01-18 | AIZAWL FC | 02:00 PM (Rajiv Gandhi Stadium) | EAST BENGAL |
| 30-01-18 | CHURCHILL BROTHERS | 02:00 PM (Pjn Stadium) | NEROCA FC |
| 03-02-18 | CHENNAI CITY FC | 02:00 PM (Jln Stadium) | AIZAWL FC |
| 03-02-18 | SHILLONG LAJONG FC | 05:30 PM (Jln Stadium) | MOHUN BAGAN |
| 04-02-18 | NEROCA FC | 02:00 PM (Khuman Lampak Stadium) | GOKULAM FC |
| 05-02-18 | KINGFISHER EAST BENGAL | 08:00 PM (Vybk Stadium) | INDIAN ARROWS |
| 06-02-18 | CHURCHILL BROTHERS | 05:30 PM (Pjn Stadium) | AIZAWL FC |
| 06-02-18 | CHENNAI CITY FC | 08:00 PM (Jln Stadium) | MOHUN BAGAN |
| 10-02-18 | NEROCA FC | 02:00 PM (Khuman Lampak Stadium) | AIZAWL FC |
| 10-02-18 | INDIAN ARROWS | 05:30 PM (Ambedkar Stadium) | CHURCHILL BROTHERS |
| 11-02-18 | CHENNAI CITY FC | 02:00 PM (Jln Stadium) | SHILLONG LAJONG FC |
| 12-02-18 | MOHUN BAGAN | 08:00 PM (Vybk Stadium) | GOKULAM FC |
| 13-02-18 | MINERVA ACADEMY FC | 08:00 PM (Guru Nanak Stadium) | EAST BENGAL |
| 14-02-18 | NEROCA FC | 02:00 PM (Khuman Lampak Stadium) | CHURCHILL BROTHERS |
| 16-02-18 | INDIAN ARROWS | 05:30 PM (Ambedkar Stadium) | AIZAWL FC |
| 17-02-18 | GOKULAM FC | 02:00 PM (Ems Corporation Stadium) | EAST BENGAL |
| 17-02-18 | CHENNAI CITY FC | 05:30 PM (Jln Stadium) | CHURCHILL BROTHERS |
| 18-02-18 | NEROCA FC | 02:00 PM (Khuman Lampak Stadium) | MOHUN BAGAN |
| 19-02-18 | SHILLONG LAJONG FC | 08:00 PM (Jln Stadium) | AIZAWL FC |
| 20-02-18 | MINERVA ACADEMY FC | 08:00 PM (Guru Nanak Stadium) | GOKULAM FC |
| 23-02-18 | AIZAWL FC | 02:00 PM (Rajiv Gandhi Stadium) | INDIAN ARROWS |
| 23-02-18 | MINERVA ACADEMY FC | 05:30 PM (Guru Nanak Stadium) | SHILLONG LAJONG FC |
| 24-02-18 | KINGFISHER EAST BENGAL | 05:30 PM (Vybk Stadium) | CHENNAI CITY FC |
| 25-02-18 | CHURCHILL BROTHERS | 02:00 PM (Pjn Stadium) | GOKULAM FC |
| 26-02-18 | MINERVA ACADEMY FC | 08:00 PM (Guru Nanak Stadium) | AIZAWL FC |
| 27-02-18 | KINGFISHER EAST BENGAL | 08:00 PM (Vybk Stadium) | NEROCA FC |

## ইন্টর দিষ্ট্রিক্টকী ফাইনেল মেটচ শান্নরগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ঃ
মতম কুইনা য়েথোক্তুনা লাক্লবা ২৯শুবা জুনিয়র বোইজ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭–১৮গী ফাইনেল মেটচ থা অসিগী ১৯ গী নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক্তা লৈবা আর্টিফিসিয়েল তর্ফ গ্রাউন্দা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন ককচিং অমদি দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন থৌবাল টিম অনীনা থেংনরগনি হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরী এল নবচন্দ্র সিংহনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না খঙহল্লক্লি।

# ৮শুবা সহিদ মনোরঞ্জন নিংশিং ফুটবোল টুর্নামেন্ট দি এম রাউ অমদি এস এস য়ু ক্বাটর ফাইনেল চংখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ঃ
আই জি মণিপুর এন্দ নগালেন্দ সেক্তর সি আর পি এফ অমসুং ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা)গী মিৎয়েং মখাদা গ্রুপ সেন্তর সি আর পি এফ অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েনগা খুৎশম্নরগা শিন্দুনা মণিপুরগী ফুটবোল টিম ১৬না নোক আউট বেসিসতা লম্বা থেংনদুনা আর্টিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দা চখৎরিবা ৮শুবা সহিদ মনোরনজন নিংশিং ফুটবোল টুর্নামেন্টে ২০১৭গী ঙসি প্রি–ক্বাটর ফাইনেল মেটচ অনিদা দি এম রাউ অৱাং সেকমাই অমদি এস এস য়ু শিংজমৈ মায় পাক্তুনা ক্বাটর ফাইনেল চংবা ঙমখ্রে।
ঙসি অয়ুক পুং ১১দগী হৌদুনা শান্নখিবা অহানবা মেটচ অমদা দি এম রাউ অৱাং সেকমাই অমদি রাউ রাইরিকয়েংবম লৈকায় টিম অনিনা লম্বা থেংনখিবগা লোয়ননা মেটচ অদু দি এম রাউনা ৪–২দা রাউবু মায়থিবা পিখি।
মেটচ অদুদা মায় পাক্লবা দি এম রাউগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু টিম অসিগী জর্সি নম্বর ১৬ এস প্রিকান্তনা মেটচগী মিনট ২৯দা গোল ১, জর্সি নম্বর ১৯ কৃষ্ণনন্দনা মেটচকী মিনট ৪০দা গোল ১, জর্সি নম্বর ১৫ ৱাই সুশিলনা মেটচকী মিনট ৬৫দা গোল ১ অমদি জর্সি নম্বর ৬ কে ওমেসনা মেটচকী মিনট ৮০দা গোল ১গা চনখি।
মেটচ অদুদা মায়থিহৌরবা রাউ লাইরিকয়েংবম লৈকায়গী গোল ২ অদুনা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ১৯ খানঙম হোরামনা মেটচকী মিনট ৩৮ অমদি ৭৫দা গোল ২ চনখি।
মেটচ অদুগী মিনট ১১ অমদি ৭৪দা দি এম রাউগী মথংসিংনা জর্সি নম্বর ২ ঐচ নাওচা অমসুং জর্সি নম্বর ৩রমানন্দ অমদি মেটচকী মিনট ৬৮দা রাউগী জর্সি নম্বর ৮ এ রিসনবু রেফরিনা য়েলো কার্দ বুক তৌখি।
মেটচ অদুদা টিঐচ অরুনকুমারনা সেন্তর রেফরি, এসঐচ সুরেসনা এ আর ১, ৱাই দেবচান্দনা এ আর ২ অমদি এল অসানন্দনা ফোর্থ রেফরি ওইনা কন্দক তৌখি।
ঙসিগী অনিশুবা প্রি–ক্বাটর ফাইনেল মেটচ অমদনা এস এস য়ু শিংজমৈ অমদি এফ সি কাংচুপ টিম অনিনা লম্বা তৌনদুনা শান্নবগা লোয়ননা মেটচ অদুদা এস এস য়ুনা লাকচনা গোল ৪–০দা এফ সি কাংচুপ্পু মায়থিবা পিখ্রে।
মেটচ অদুদা মায় পাক্লবা এস এস য়ুগী গোলশিং অদু টিম অসিগী জর্সি নম্বর ১৪ এম দি অবদুলনা মেটচকী মিনট ৪২দা গোল ১, জর্সি নম্বর ১১ ঐচ রোমেসনা মেটচকী মিনট ৪৪ অমসুং ৭৩দা গোল ২ অমদি জর্সি নম্বর ১৯ ও অজয়না মেটচকী মিনট ৭৪দা গোল ১গা চনখি।
মেটচ অদুগী মিনট ১৯ অমদি ৭১দা এস এস য়ুগী মথংসিংনা জর্সি নম্বর ১৯ এম দি অবদুল অমসুং জর্সি নম্বর ৩ ও প্রেমেশ্বর অমদি মেটচকী মিনট ৩৬তা এফ সি কাংচুপকী জর্সি নম্বর ১৩ পাউতিনমাংবু রেফরিনা য়েলো কার্দ বুক তৌখি।
মেটচ অদুদা এন ইবুংঙোনা সেন্তর রেফরি, এ দিলিপনা এ আর ১, এসঐচ রোবিনসননা এ আর ২ অমদি এন সচিকান্তনা ফোর্থ রেফরি ওইনা কন্দক তৌখি।

# মণিপুরগী পোলো টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে




ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ঃ
থা অসিগী ১৮দগী ২২ ফাওবা লক্ষনৌদা পাঙথোক্কদৌরিবা অৱাধ পোলো কপ ২০১৭দা শরুক য়ারুগদবা মণিপুরগী পোলো টিম ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।
মণিপুরগী পোলো টিম অদুদা শরুক য়ারিবা শান্নরোইশিং দি পি ওজিৎ, এল অতাংবা, টিঐচ জেক্সন, টি প্রদিপকুমার, এল তোলোমখোম্বা অমদি টিঐচ বসন্তনি।
অদুগা ওফিসিয়েলশিং অদুনা ওল মণিপুর পোলো এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরি, ঐচ লিয়োনিদ, ফাইনান্স সেক্রেটরি এল সনজিৎ, ওফিসিয়েল ঐচ কান্তা অমদি প্লেয়ার ভেটেনরি সপ্পোর্টতা এল তরুননি।

# ১৬শুবা ই তিলোতামা দেবী মেমোরিয়েল মিক্স কাং টুর্নামেন্ট এমআইটিএলনা এসএৱাইসি (সি)বু মায়থিবা পীখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ঃ
ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন (এজেএসএ), জিরিবামনা শীন্দুনা থা অসিগী তাং ২৬ তগী জিরিবামগী কলিমাই মান্তবতা টিম ১০না শরুক য়াদুনা শান্নবা হৌখিবা ১৬শুবা ই তিলোতামা দেবী মেমোরিয়েল মিক্স কাং টুর্নামেন্ট ২০১৭ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এমআইটিএল জিরিবামনা এসএৱাইসি (সি) সোরোক অতিংবীবু পাঞ্জল ১১–৭ দা মায়থিবা পীখ্রে।
ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এসএৱাইসি (সি) সোরোক অতিংবীনা তোচ ঙমদুনা কাং হান্না কপ্পা হৌখি অদুগা এমআইটিএল জিরিবামনা মাইকৈ খনখি। অপীবা মতমদা টিম অনীমক্না য়াম্না কম্পিটিটিব ওইবা মওংদা কাং কাপ্লখি, অদুবু অরোইবা মতমদা এমআইটিএল জিরিবামনা এসএৱাইসি (সি) সোরোক অতিংবীবু পাঞ্জল ১১–৭ দা মায়থিবা পীখি।
ঙসিগী মেটচ অসিদা জজ ওইনা এন কিরন সিংহনা ওইখি। অদুগা স্কোররনা কে ঐচ বসন্তা সিংহনা ওইখি।
টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চখৎরকপা ৬শুবা মেটচ ওইনা এনএমকে নিংথেমবম অমদি এলইসি (এ) বাবুপরাগা শান্নরগনি।

YELHOULAMGI YELHOUMISINGGI SENMITLON
AMADI KEITHELSINGBU YOKKHATMINNASI
PLIZ VISIT: NINGTHEE TUREL
a mobile shop
Konung Mamang, Opposite Thangal Temple
SL/2631/Alt. 30 days




Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*